**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-10-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভল্লানা হায়রি- শেনমিৎলোন ফগৎহনবা অমদি অকোইবগী ফিভম ঙাক্কুনা থন্বা হায়বা অনি অসি তুনা চৎমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

২) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি ই-সেবা কেন্দ্র হৌদোকখ্রে।

৩) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনদা শান্তি পুরকবা হোৎনমিন্নশি।

৪) রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগকী দাইরেক্তর পিতর শলামনা হায়রি- মরু মরাং পুথোক্লিবা লৌমীশিং য়োকখৎনবা রাজ্যগী বজেৎতা হাপ্লিবা শেনফম খুদিংমক মখোয়দা য়ৌহন্নবগী চপ চাবা ফিরেপ লৌরে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী সভ্যতাগী লন্বী অসি চহি চা কয়াগী নাৎ অমসুং চৎনবীগী ৱাখল্লোনশিংনা পুনশিন্দুনা শেন্নকপনি।

------

ৱাইল্ড লাইফ (এল)ঃ ৭২ শুবা ৱাইল্ড লাইফ চয়োল পালন লোয়শিনবগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগনা শিনবা থৌরম অদুদা রাজ্যপাল- অজয়কুমার ভল্লানা হায়- ইং ২০৪৭ তা ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী পান্দম থল্লিবা লমদম অসিগী শেনমিৎলোন ফগৎহনবা অমদি অকোইবগী ফিভম ঙাক্তনা থম্বা হায়বা অনি অসি তুনা চৎমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা লম্লক্কী শা উচেকশিং কনবগী থবক থৌরমশিং কনখৎহনবা, আইন্না য়াদবা মওংদা লম্লক্কী শা-উচেকশিং লল্লোনবা থিংবগা লোয়ননা উমংশিং য়োকখৎপা তঙাইফদে। মসিগা লোয়ননা অকোইবগী ফিভম অমসুং পাৎশিং নিংথিনা য়োকখৎতুনা থমবা তঙাইফদবা থৌরাংশিং পায়খৎপা, মীয়াম, নহা অমসুং রিছার্সরশিংনা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী মথৌ তাই। রাজ্যপালনা হায়- মণিপুর জলোজিকেল গার্দেন অসি হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্দুনা লম্লক্কী শা-উচেক কনবদা মরুওহবা থৌদাং লৌনবা ৱাফমসু পনখি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা ই-সেবা কেন্দ্র হৌদোকখ্রে। কেন্দ্র অসি হাংদোকপগী থৌরম মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা মণিপুর ইনফোর্মেসন টেকোলোজি পার্কতা পাঙথোকখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা মণিপুর সরকারগী ইনফোর্মেসন টেকোলোজি বিভাগনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ভাহসিনি মণিপুর রাজ্যয়ম ৱার্কসোপতসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিবু মালেমদা শান্ন-খোৎনবা, নাৎ অমসুং চৎনবী মশক তাক্লিবা অসিগুম ইনফোর্মেসন টেকোলোজিগী লমদসু মশক তাকবা হোৎনশি। মসিদা সরকারগী মাইকৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেংশিং

পাংগনি। মহাকা হায়- ভাহসিনি হায়রিবা এ.আইগী মতেংনা তোঙান তোঙানবা লোলশিং হন্দোক্লোই ওইবা প্লেটফোর্ম অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লোলশিং য়োকখৎলি অমদি এ.আইগী খুত্থাংদা লোলশিং অসিবু খঙহনবা ঙম্বগী তাঙ্কক অমা লাকপসি নুঙাইবা ফাওই।

সেবা (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনদা শান্তি পুরকবা হোৎনমিন্নশি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নাওরিয়া পাংখঙলাকপা কেন্দ্রগী লংথবাল লেপ মখা লৈকাইদা সেবা সংকল্প অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপা থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- নাওরিয়া পাখঙলাকপা কেন্দ্র অসিগী লম্বী থোং, ঈশিং অমসুং মৈগী হান্না লৈরম্বা ফিভমদগী শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলে।

ককচিং জিলাদসু সেবা সংকল্প অভিয়ান কেম্পেন অমদি প্রধান মন্ত্রি টি.বি. মুক্ত ভারতকী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল ককচিং, নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম, নেসনেল এইদস কন্ত্রোল ওর্গনাইজেসন অমসুং খা মণিপুর কলেজনা পুন্না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবা অমসুং ঐচ.আই.ভি এইদসকী মতাংদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম ঙসি খা মণিপুর কলেজদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা টি.বিনা নারবা মীওই ২০ দা চান-থকবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি।

এগ্রি (এল)ঃ রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগকী দাইরেক্তর পিতর শলামনা হায়রি- মরু মরাং পুথোক্লিবা লৌমীশিং য়োকখৎনবা রাজ্যগী বজেৎতা হাপ্লিবা শেনফম খুদিংমক মখোয়দা য়ৌহন্নবগী চপ চাবা ফিরেপ লৌরে।

মহৈ মরোংশিংগী মগুন হেন্না ফগৎহনবা হায়বা হিরমদা রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগ অসিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী শঙ্গেনথোংদা লৈবা বিভাগ অসিদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রামগী থৌরমদা শ্রী পিতরনা মখা তানা হায়- রাজ্য অসিদা লৌউ শিংউগী লম খুমাং চাওশিনহনশি হায়রবদি পুথোক্লিবা মরু মরাংশিং তিল কাঙ তাদবা হেন্না ফবা পোত্থোকশিং ওইনা পুথোকবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। লৌমীশিংগী মরক্তসু অনৌবা মরু মরাংশিং পুথোকপা ঙম্বা অমদি লম অসিদা নিংথিনা খঙলবা লৌমী কয়া থোক্লকপগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা সাইন্তিষ্টশিং য়াওনা সিদ ফারমর কয়া শরুক য়াখি।

ডে (এল)ঃ ৱার্ল্ড মেন্টেল হেলথ ডে ২০২৬ গী থৌরম ঙসি জি.পি. ৱিমেন্স কলেজকী সেন্ট্রেল হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতি মনিপুরগী হোম সাইন্স দিপার্টমেন্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রামনা পুন্না শিনবনি।

থৌরম অসিদা ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: নিবেদিতা লাইরেনলাকপম অমসুং ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চান্সেল্লর-প্রোফেসার-ডব্লিয়ু. চান্দবাবু শরুক য়াখি।

ওর্দর (এল)ঃ রাজ্য অসিদা লৈরিবা ইরাং অসিগী মনুংদা চহি অসিগী এপ্রিল ৭ তা বিষ্ণুপুর জিলাগী ট্রোংলাউবীদা সি.আর.পি.এফনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই অহুম লৈখিদবা অমসুং মীচম কয়া শোকহনখিবা অদুগা মরী লৈননা নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না বিষ্ণুপুর জিলাগী এস.পিদা থৌদোক অসিগী মতাংদা মরিক চুম্বা রিপোর্ট পীখৎলকবা খঙহনখ্রে।

লোয়রস ফোর হ্যুমেন রাইটস মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লোয়রস ফোর হ্যুমেন রাইটস মণিপুরনা ফাইল তৌখিবা ৱাকৎ অমগা মরী লৈননা নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না দি প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইট এক্ট ১৯৯৩ গী সেক্সন ১২ গী মখাদা কেস লৌখৎখি। লোয়ননা সি.আর.পি.এফনা মীচমশিং হাৎখিবা অদু হ্যুমেন রাইটস খোঙগাউনবতা নত্তনা ক্রাইম অমনি হায়খিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা এক্সন টেকন রিপোর্ট অমা চয়োল মরিগী মনুংদা পীখৎলক্কদবনি হায়রি।

জেদিয়ু (এল)ঃ জনতা দল য়ুনাইতেদ মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন্না হায়রি- লাক্কদৌরিবা মণিপুর বিধান সভা মীখলদা দল অসিগী মীরেপশিং থাগৎকনি।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা জে.দি.য়ুগী ওফিসতা ঙসি দল অসিদা নৌনা য়াওরকপা মীওইশিং ওকপগী থৌরম অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- জে.দি.য়ু অসি এন.দি.এগী মপাং অমা ওইবা মরমনা মীরেপ থাদোকপা অমসুং থাদোক্তবগী মতাংদা মীয়ামা খঙনিংবা ৱাফম কয়া ফোংদোরকপা লৈবদগী দল অসিগী ফিরেপ মীয়ামদা খঙহন্নবা ৱাফম অসি ফোংদোকপনি।

এমপিপি (এল)ঃ মণিপুর পিপলস পার্তি (এম.পি.পি)গী ৱাঙাংলোই ডাঃ শেরাম রোজেশনা হায়রি- মণিপুরদা কেন্দ্র সরকার অমসুং রাজ্য সরকারনা য়েলহৌমী ঙাকপী শেনবীবগী মপুং ওইবা থৌদাং লৌগদবনি।

নিউ দিল্লিগী প্রেস ক্লব ওফ ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ডাঃ রোজেশনা হায়- সু তৌনরিবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং মপুং ফানা খুৎলায় থাদোকহনগদবনি। ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা মীতোপ চৎথোক চৎশিন তৌদুনা মণিপুরদা ঙাইহাক লৈতনা

খুদোংচাদবা কয়া মায়োকনরিবা অসি অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংদুনা থবক পায়খৎকদবনি । মহাকা হায়- আই.দি.পিশিংবু অথুবা মতমদা মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহনগদবনি।

রিমস (এল)ঃ রিমস ইম্ফালদা অঙাং উন্নবদা নুপী অমা লৈখিদবগী থৌদোক অদু থিজিন্নবা ইন্সটিট্যুট অসিনা মীওই মরিনা শাবা ইনক্বারি কমিতি অমা শেমখ্রে। রিমসকী মিদিয়া সেলনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- কমিতি অসিনা থিজিনবগী রিপোর্ট নুমিৎ হুমিগী মনুংদা হেক পীখৎলকপগা মরাল লৈরম্বশিংগী মথক্তা মতিক চাবা লৌখৎকনি। অঙাং উন্নবদা লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মফমদা রিমসকী মাইকৈদগী থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোক্লি।

এৱার্দ (এল)ঃ ফিক্সন এন্দ পোইত্রি ক্লব মণিপুরনা চহি অহুম কান্নরগা পীবা মহাকবি হিজম অঙাংহল শৈরেং মনা কুমশি চহিগী ওইনা শকাইরবা কবি রতন থিয়ামনা ইবা শৈরেং- ঐবু নুংশিবীয়ু হায়দেদা পীরগনি হায়রি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২৫, সোল অমসুং সাইতেসন য়াওরি। হন্দক্কী অসিগা মনা অসি পীবা মরিরক শুবনি। মনা অসি থা অসিগী ২৬ দা দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা মণিপুর শৈরেং নুমিৎকী অখন্নবা থৌরমদা পীগনি।

চান্দেল (এল)ঃ মলচিং ফোর সষ্টেনেবল এগ্রিকলচর হায়বসিদা কৃষ্ঠি বিগ্যান কেন্দ্র চান্দেলনা শিন্দুনা চান্দেল জিলাগী মোন্সাং পন্থাদা লৈবা কম্ম্যুনিতি হোলদা নুমিৎ নিনি চুপা চখৎরকখিবা ত্রেনিং প্রোগাম ঙসি লোইশিনখ্রে।

থৌরম অদুদা সোইল এন্দ ৱাটর কঞ্জার্ভেসনগী সবজেক্ট মেত্তর স্পেসিয়েলিষ্ট ডাঃ কাংজম সোনামনি সিংহনা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুগী

মপুং ওইবা ৱারোলশিং থমখি। থৌরম অদুদা কে.ভি.কে চান্দেলগী সেনিয়র সাইন্তিষ্ট অমসুং হেদ ডাঃ এ. অমিতা দেবী য়াওনা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

মীতিং (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মিসনগী মখাদা ব্লোক মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিতনা শিন্দুনা য়ুনিত অসিগী ক্লষ্টর অমা ওইরিবা হি-য়াই চেনবী ক্লষ্টর লেবেল ফেদরেসনগী চহিগী মীফম পাঙথোক্তুনা ক্লষ্টর অসিনা তৌগদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে। মীফম অদুদা লিলোং সি.দি. ব্লোক্কী মখাদা লৈবা ভি.এল.এফশিং অমসুং সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং শরুক য়াখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী সিভিলাইজেসনগী লম্বী অসি চহি চা কয়াগী সংস্কৃতিগী ওইবা অমদি নাৎকী ওইবা ৱাখল্লোনশিং পুনশিন্দুনা শেল্লকপনি।

ভারতস কলচরেল কন্নেক্সন এক্রোস দ গ্লোবকী ইন্তরনেসনেল কনফরেন্স হৌদোকপগী পীবা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা হায়- নলন্দাগুম্বা মহৈ মশিং তম্ফমগী মফম অমা ওইরিবা অসিনা ভারত অমসুং অতোপ্পা এসিয়া লৈবাকশিংগী মরীগী মরমদা কুপা খঙহল্লি। মহাকা হায়- সাধু, স্কোলার, লল্লোন ঈতিক তৌরিবা মীওইশিং অমদি লম কোইবশিংনা ভারতকী ৱাখল্লোনশিং অসি মালেম শিনবা থুংবদা শন্দোক্লি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- ইন্দো-পেসিফিক লমদমদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা পুরকবগী মতাংদা ভারত অমসুং অসিয়ান লৈবাকশিংগী মরক্তা মান্নবা ৱাখল্লোন লৈ। ৱাফম অসি ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা অসিয়ান-ইন্দিয়ান দিফেন্স থিঙ্ক টেঙ্ক ফোরমদা শ্রী রাজনাথনা ফোংদোকখিবনি।

মীফম অদুদা মরুওইনা মেরিটাইম সেক্যুরিতি, দিজাষ্টর রেস্পোন্স, সাইবর থ্রেট অমদি ইন্মরজিং টেকোলোজিগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলোঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ৩৯ শুবা এন. হজারি এন্দ ডা: এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম-এ খোংমননা লোয়ালাকপা পোলো ক্লব টিম-বি শঙাইপ্রৌবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে।

খুরাই পোলো ক্লবনা সার্দন পোলো ক্লব থোংজাউবু পাঞ্জল ১২-০ দা অমসুং লুৱাংপোকপা পোলো ক্লব টিম-বি লুৱাংশংবমনা নিউ ভিজন পোলো ক্লব য়াইরিপোকপু পাঞ্জল ৯-৪ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর পুলিসনা শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চঙ্খরিবা মনিপুর পুলিস ফুটবোল কপ ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা নেরোকা এফ.সিনা সি.এফ.এবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি ।

ফুটবোলঃ দি.এস.এ. চান্দেলনা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা দি.সি. চান্দেল ট্রোফি সেকেন্দ দিভিজন ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- পেনাচীং ৱাই.দি.সিনা লিৱা সারৈ ৱাই.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা বেতুক ৱাই.সিনা চরাংচীং খুনৌ ৱাই.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

ফুটবোলঃ ২৩ শুবা কে.এস.ঐচ. লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- য়ু.সি.সি ককচিংনা কে.এম.এস.দব্লিউ.সি কৈরকপু পাঞ্জল ৯-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোলঃ দি.এস.এ. ককচিংনা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ২২ শুবা কে.কে. মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই.জি.সি লাংমৈদোংনা এস.এ.ও ককচিংবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখি ।

------